আর. কে. নারায়ণের

মায়াকুষা




চিত্তপ্রসাদের

মায়োক্কবা

ফিতোংশাপেষ

মায়োক্নবা

এল ভী মণি



ই বি পব্লিকেশন্স
ইম্ফাল

Mayoknaba, a collection of children short stories by L V Mani
Published by Lamabam Mervyn, Sagolband Naoremthong Khumanthem Leikai, Imphal - 795 001, Manipur on behalf of the I B Publications, Imphal, Manipur, Pin - 795 001

অহানবা ফোঙবা ঃ ২০১৩
মখূম অমসুং মনুংগী লাইশিং ঃ রনধীর কুমার য়েন্দ্রেম্বম

লাইরিক ফংফম ঃ ১) রাইটর্স ফোরম ইম্ফাল, মণিপুর
২) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল
৩) মণিপুরগী অতৈ লাইরিক য়োনবা দুকানশিং

য়াইবিরেন কম্যুনিকেশন্স (প্রিন্টিং দিভিজন), উরিপোক খ্বাই ব্রহ্মপুর, বীর তিকেন্দ্রজিৎ লৈকঙথোং মনাক, ইম্ফাল, ৭৯৫ ০০১ (মণিপুর) দা নম্বা

য়াওরিবশিং

লান্না থাজনবীনা মরম ওইদুনা

লাইবক থীহনখুবা-থীহনখুবীশিংগী

মফমদা।

ৱাহৈ খরদং

অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা ঐনা খ্বাইদগী কিখিবা অমসুং কাউঙমদবা অমদি লৈকায়গী ইনে অমনা নুমিদাংৱাইরম অমদা ঈশিংদা চোংথদুনা শিজখিবা থৌদোক অদু অমনি। নুমিদাংৱাইরম মল্লি মল্লি তৌবগীদুদা তাকয়েল পৃথ্রিদা ঈশিং শোকপা চৎখিবদগী হল্লকমন্দে হায়দুনা থিরুবদা ঈশিং মনুংদা শিদুনা লৈরম্বনি হায়। কনাননো খঙদে নুমিদাং অদুদা কন্না লাউরকখি। ঐ তশেংনা কিখি। ইরু খূদৈনা মখোঙদা পুনশিল্লগা মথন্তা ঈশিংদা চোংথবনি হায়। কিবদুগী মথক্তা ঐঙোন্দা য়াম্না নুঙাইখিদ্রিবদি ইনে অদুগী মমা অদুনা নুমিৎ খূদিংগী লাক্তুনা মরোল লোল্ল লোল্লদুনা পৃথ্রি মপান্দা ফম্লদুনা তেংথারবদুনি।

কপ্পা তেংথাবা হায়বমক্তবু কনাসু তানীংদে। পেন্দবা নুংঙাইতবদগী কপ্লিবনি। থিংউবা য়াব্রদো। মতম শাংনা তোয়না তাশিল্লকপদগী কোন্নদি ঐসু কিবা অমসুং নুংঙাইতবগী চাং তপ্পা তপ্পা হন্থরকখি।

কাইনথংদদি মীনা হায়নবা হৌরকখি, 'হাকমল্লেদা, অসুক মরৈ শাংবা হৌনদে।'

সিদা নত্তে। মীয়াম্না পঙহায় হায়নৈ। অঙাং ওইজরবসু ঐঙোন্দসু থৌদোক অদুনা ৱাখল খরা খন্থহল্লি। তশেংনা হায়রবদা হায়নরিবশিংদো ঐ য়ানীংখিদে। মদুমক্তা ঈথিল ওইরগা ঐনা ক্লাস নাইন তম্লবা মতমদা *মায়োক্লবা* হায়বা ৱারী অসি শাগৎতুনা ইখিবনি। য়াম্না শাংনা ইরম্মী । ঐনা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা নুংশিদুনা মরুওইনা অঙাংশিংনা পানবা ককথোক ককশিন খরা তৌরগা, অতৈ অঙাংগী তম্লবা লাইরিক্তা য়াওখ্রবা ৱারী খরগা পূনশিন্দুনা লাইরিক অসি পুথোকচবনি। পীক্তা পীক্লিঙৈ নত্তবা ৱাখল খরা খনবা ঙম্লবা

ইনখৎলক্লিবা চহী তরা অমসুং মথক্কী লেঙ্গাগী অঙাংশিংনা খরগী মখৈ কান্নগদ্রা খন্দুনা কুইরবগী তুং অসিদা লাইরিক অমা ওইনা পুথোকপনি।

লাইরিক অসি পুথোকপদা নম্বগী থৌদাং লৌখিবা অমসুং বঙ্গালি ময়েক্কগী মীতৈ ময়েক্তা ওন্থোকপিখিবা ইনাও ইমোজীৎ নিংঙোম্বম অমসুং প্রুফ য়েংবদা মতেং পাংবিখিবা ইনাও মরুপ শ্রীএল সোমোরেন্দ্রো, শ্রীরনবীর শারুংবা অমসুং শ্রী ব্রজেশ্বর শর্ম্মা; মখূম অমসুং মনুংগী লাইশিং য়েকপিরকপা রনধির কুমার য়েন্দ্রেম্বমগী লমন তোল্লবনি। ইচাশিং অমসুং ইশুশিংগী মফমদা লাইরিক অসি শিন্নজরি।

তাং ১৮/৮/২০১৩ ইং

এল ভী মণি

অমা

নিংথমগী অঙ্গীংবনা মালেমগী অয়ূকপু উন-ব্রায়মুক চীকহল্লি।

অদুবু লোক্তাক ঈয়ায়দি ঈংবা চঙদে, কুম্বী কালেন নাইদে, অয়ূক, নুংথিল অমসুং নুমিদাং খাক্তে, হূরান শাজৎ হৈতবা ঙামীশিংনা হোনবা হিগী শাহুম্না নোমহৌ নোমহৌ তৌদুনতা লৈ। পোত্থাবা শংদে।

চবুন্দগী চোইথোক্লককপা কবোকংশিংদা তোংলদুনা চাক্তারিবা নিংথম উচেকশিংগুম অঙনবা অয়ূক অদুদা উনগা শীংনদুনা নোংয়াইস্ মহাক্কী হিনাউদু লৈজবী থাদুনা হোল্লি। মহাক তহা তহাই, তফিং তফিংই। মহাক্কী তহা তহাবদু খঙবগুম্না, মমাঙদা তাউদুনা লৈরম্বা কবোকং, হৈকক য়েল্লিনচিংবা পূম্নমক শমজি খাইনা হন্দোক্লখি। পূম্নমক অদু য়েংনা য়েংনা নোংয়াই হি হোনবদি লেপ্তে।

খূৎহোন তোয়জবগী মতিক খঙহৌদে মহাক মপুবোক্কী ময়ূম য়ৌরে। থা অমা হেল্লক্লে, মমা লায়েংশঙদা লায়েংবা হেক পুখৎপা নুমিৎতগী, মহাক্না মপুবোক্কী মনাক্তা লাকখিদবা। মদুগী মমাঙদদি নোংমতা লেপ্পা তৌদনা অয়ূক খূদিং মপুবোক্কী মনাক্তা চৎপনি।

ব্রা ঙাঙদে নোংয়াই, মপুবোক্কী খাংপোক হেক য়ৌবগা মহৌশাগুম খাংপোক্কী ফক্লাংদা থেৎলিবা ব্রাচেৎকী থাঙ অদু চেন্দুনা লৌরুরগা মপুবোক্কী মনাক্তা লেপ্লরে। কুইনা পায়রুদবগী থাঙ অদু ইমোৎ মোৎলে। মপুবোক্তি হান্ননা শাজেল হৌরম্লবনি। কুইরবগী তুংদা নোংয়াইনা মনাক্তা লেপ্লবদু উবদা নোংয়াইগী মপুবোক্না হংলকই, "নমা কমদৌরে?"

ঙাঙনা ঙাঙনা মপুবোক্তু শাজেলদি লেপ্তে।

"চাক্কা য়াম্না চারে পুবোক।"

নোংয়াইনা খুমই।

"নচেদি লায়েংশঙদা অদুম চৎলিবরা?"

"চৎলি, ঐনা হিদা হেক হেক থিল্লি।"

"অদুনি, তৌগদবনি। হন্দক নহাক্না হৌদোক্লক্তুনা নমাবু লায়েংশঙদা পুদুনা লায়েংলুবসে য়াম্না তান চাখ্রে। নঙনা নমাবু কল্লবনি। নমা নাবা ফবগী মথক্তা মতম খরগীতা ওইরবসু নচেনা থবক মচা অমা ফংবসিমুক নুংঙাইবা অমা অমুক লৈতরে।"

"পূম্নমক অসি ওজা কমলগী মপান্দগীনি পুবোক।"

"ঐ খঙই নোংয়াই, ঐগী অয়াবা লৌনবা নহাক্না নহাক্কী ওজাবু ঐঙোন্দা থাজিল্লকখি। লায়েং ওন্নবা তাগদ্রা খন্দুনা নহাক্না নমা ডাক্তরদা লায়েংসি হায়বদা ঐনা অহানবদা য়াখিদে। হৌজিক্তি নহাক্না মায় পাক্লেদনা। অদুনি নুপা হায়দুদি লাম্থেংনগদবনি, শীংবু শীংনরক্লবদি নীংহন্নবা তৌদনা মায়োক্নগদবনি।

অশেংবনি চিরবা মতমগী নোংয়াইগী মরূপতি ওজা কমলনি। মপুবোক্না ওজা কমলবু য়াম্না থাজে হায়বা নোংয়াইনা খঙই । ওজা কমল নত্তনা মপুবোক্কী পূক্নিং হোংহনবা ঙম্বা অতৈ কনা লৈরোই। অদুনা মমা লায়েংশঙদা লায়েংনবগী মপুবোক্কী অয়াবা লৌনবা নোংয়াইনা ওজা কমলদা হায়জখি। নোংয়াইনা থাংলক্লিবা খোঙথাং অসি অচুম্বনি হায়বা খঙলবসু ওজা কমল অহানবদদি হোয় হেক্তমক হায়বা ঙমখিদে। মরমদি নোংয়াই অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুং অদু মহাক্কী কনাসু নত্তে, ইচম চম্না খঙন-চান্নবা নুংশিজরুবা মখৈতনি। অদুগী মথক্তা মহাক্তি লমদম অসিদা শৈদাংবগুম্বনি, সরকারগী শিন্মী অমা ওইনা মথৌ তৌবা লাকপনি। করিগুম্বা লাইবক থীদুনা ফত্ত-নুংদা থোকপা তারবদি মহাক খক ফরোই।

অদুব নোংয়াইগী নুংদা চেল্লিবা য়ূম্ফম য়াওদনা মীয়াম্না লান্না থাজনরিবা থাজনবী অমগী মায়োক্তা ইচঙথৌনা শীংনবা অমসুং মায়োক্লবগী থৌনা অদুবুদি ওজা কমলনা ইকাইখুম্নদবা ঙমদে। অদুনা খনবা মখৈ খল্লবা মতুংদা ওজা কমলনা নোংয়াইগী মমাবু লায়েংশঙদা পুদুনা লায়েংবগী ৱাফমদু মপুবোক্তা হৌদোকখিবনি।

নোংয়াইগী মপুবোক নোংথোন খুঙ্গংদা পোকপনি, খুঙ্গংগী ঈশিং নুংশিংতা চাউরকপনি, লাইরিক-লাইসু মপূং ফানা তমহৌদে। অদুনা লূ-তোংদা

পক্তুনা লৈখ্রবা লমদম অসিগী চৎনবী অমসুং লান্না থাজনবী কয়াদগী পূম্নান নাম্থোকপা ঙমদ্রি। অদুবু মহাক মীরক তিনবা মীনি, লৈপাক্না শকখঙ-মায়খঙনরবা থাঙ-তাগী ওজা অমসুনি। খুনগী নৎত্রগা লৈকায়গী ওইবা অরুবা ৱাফম অমা হেক খন্নরকপদা ৱারোইশিন তাবা ঙম্বা মীয়াম্না ইকাইখুম্নবা অহলনি। মহাক্তি ময়ূম মকৈ পান্দুনা ইমুং লিংখিদ্রে। মহাক্কী মচা-মশু হায়বদু নোংয়াইহোয়গী ইমুং-মনুংনা ওইরে। নোংয়াইবু পোকপা মপাদু মহাক্কী হেক মনাওনুপানা পোকপনি। মহাক্না শঙদুনা লৈরিবা ফূম অদুসু মহাক্কী মচা নোংয়াইবু পোকপা মপাদুগীনি। লাইবক থীবদগী নোংয়াই পোকপা কুম অদুমক্তদা মপাদু লৈখিদ্রে। নাদুনা শিখিবা নত্তে, ফূম শেংবা চৎপদা লিন্না চীক্তুনা শিখিবনি। মতম অদুদা মপুবোক নোংথোলদি খুন্দা লৈতে। কছারদা থাঙ তম্বিবা চৎখি। মহাক য়াম্না নীংঙমহৌদে। মহাক হীদাক লাংথক অনা-লায়েংগী মরমসু খরগী মখৈ খঙই। অদুনা মহাক যূমদা লৈরম্লবদি মচাদু কনবা ঙম্লমগদবগুম খনখি। মচানুপাদুনা শিখ্রবা মতুংদগী ফূম শঙবা অমসুং নোংয়াই মমা মচা অহুমবু শেন্নবগী থৌদাং পূম্নমক নোংয়াইগী মপুবোক্না লৌদুনা লাক্লি।

অদুননি, মহাক্না নোংয়াইবু ওজাগী মফমদা শিন্নখিবা।

"ওজা ননা ওসে নখূৎতা শিন্নরবনি।"

ওজা কমলগী ৱাহৈ খরতনা মপুবোক্কী পূক্লিং ওনখি। কাইনথংদদি মমাগী অযাবা লৌবগী থৌদাং ফাওবা মপুবোক্না লৌখি। মপুবোক্কী ৱাবুদি নোংয়াইগী মমানা করম্না হীক্তোকপা ঙমলুগনি!

লায়েংশঙদা মমা হেক পুরকখিবা নুমিৎতগী মতম পূম্বদা নোংয়াই মমায় অদু ইমক্তা মকশিন্দুনা লৈরকখিবনি। মপুবোক্তা নত্তে, মহাক মশামকসু থাজনবী কয়াদা লূপ্তুনা অমম্বা তাইবং অমদা লৈরম্বা খুঙ্গং মচানি। অদুবু ওজা কমলনা তপ্না তপ্না অমম্বদু খরগী মখৈ লৌথোকপিখিবনি। নোংম-নীনীদা অমম্বশিংদু ঙালহনখিবা নত্তে। থৌদোক কয়া, খূদম কয়া ওজা কমলনা শং-শং উহন্দুনা, ৱারী কয়া লীদুনা অমসুং লাইরিক কয়া পাহন্দুনা অমম্বদু কোকহনখিবনি। মাইবনা অমসুং মীয়াম্না হায়খি, 'মমাগী অনাবদু লাইগী নুংশিৎননি।' মীয়াম্না হায়নবসু

তায়, মহাক্কী মমাদি মনম নাইবীনি, হিংচাবী চঙবীনি। মহাক য়াবা ঙমখিদে।

হৌজিক্তি পূম্নমক্তু হৌখ্রে, নোংয়াইনা নীংজবা অমা থুংলে, মমা নাবা ফরে। পূক্লিং মকা লামজরে। অদুবু মী অমগী পুন্সিদা মায় পাকপা অমখক্লা অরোইবদি ওইবা য়াদে। মতম পূম্নমক্তা মায় পাক্তুনতা লৈগনি হায়না থাজবসু লাল্লি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা কনা অমতনসু অশিবগী খয়াৎতগীদি কনবা ঙমখিদ্রি। হোরেন করি ওইবা হয়েং করি ওইবা কনানা খঙলুনি!

"কৈদৌরে নোংয়াই, চপ লেপ্তুনা লৈরবদি?"

হৌখিবশিং অদু নীংশিংলক্তুনা নোংয়াই মঙ মঙলূরে।

"নোংয়াই, য়েংঙো নমানা মশা কনখৎত্রি ফাওবদি নমাগী মনাক্তগী হেন্দোক্কনু। সে সে, খূৎলায় পায়খৎলু নশাদু ঙৈহাক শাগৎহনসি।"

চহী হুমফুগী মথক ওইরবসু নোংয়াইগী মপুবোক নোংথোন মশা য়াম্না খীংলি।

মহৌশাগুম মশু মপু শান্নবা হৌরকই। থাঙতা নত্তে মপুবোক্লা নোংয়াইদা তম্বিরিসি শুরে— শরীৎ-শরাৎ, মূক্লা, ঙা ফাবা, লাং লোনবা, লূ শাবা, শিন ময়াম অমা তম্বিবতা নত্তে, মখল মখলগী ৱারী কয়াসুনি লীবিরিবা। অদুনা মতম হেক ফংবদা মহাক মপুবোক্কী মনাক্তা চেল্লক্কনি। স্কুলদা লাইরিক তম্বগী মথক্তা মপুবোক্তগীসু নোংয়াইনা তম্না য়াবা কয়া তম্মী।

নুংশাগী মশেক্লা যৈবদা লোক্তাক লাইজনা মনিল কাবগুম মশু-মপুগী হকচাংদু শান্নরুবগী শাগৎপনা মনিল ৱা ৱা কারকই, হুমাংনা পূমচোৎ চোংলি। মশুগী মতৌদু উবদা মপুবোক্লা হংলকই, "ৱাবরা নোংযাই?"

নোংযাই মিনস্বা তৌদনা খুম্লম্মী, "ৱাই পুবোক।"

"ৱাসনু, ৱাদনা নুংঙাইবা য়াবা হৌনদে। থেঙলে যূমদা চৎলো, নচে থিনবসু চৎকনি হায়বদাই?"

"হোয়।"

মপুবোক্লা হুমাং নপথোক্লবা ফি অমা পীরকই। হুমাং তৈথোক তৈথোক্লা নোংয়াইনা ৱা মখা তারকই, "পুবোক ইমাদু ঙা থাবা চৎলগে হায়রিবা?"

"এ! য়াদে য়াদে, মথেন ফানা মশা ফৎত্রিমখৈ কৈথেল থোকপা পুবোক্লা য়াদে হায়য়ু। মাঙ্গোল কাচিন্দা লৈরিবা তৃঙ্গোল অদুদা ঙা খরা য়াওরিবনি মদু পুখো। লাংগী ঙা নত্তে, লৃগীনি, ঙম্নমক হিংলিবনি।

নোংয়াই ঙা য়াওবা তৃঙ্গোল অদু পায়রদুনা ফুমখোঙ তান্না চেন্থরক্লে। মশুনা চৎখিবদু মপুবোক্লা নোকফেৎ তৌনা য়েংদুনা লৈহৌই।

হি হোনবদি নোংয়াই মপা লৈতনা হৈ। মিৎকুপতা মহাক্কী হি অদু পাৎয়াই য়ৌরে। ফনা য়াম্না থেঙলম্লগনি অদুবু লৈচিন থাবদি হন্দ্রি। পাৎয়াইদনা অমুক্কা হেন্না লৈচিন কৃংনা থাবোই নীংই। মহৌশা ওইরম্লবদি নুংশা থোক্লকপা ঙাইদুনা খোই চোপ্লম্লগদবনি। লোয়ননা ইরাং ঙাশিংগী কৃম্মৈ য়েংলমগনি। ইরাং ঙাশিংনা লুম্বু শাবা নুংশা মঙালদা মকোক থাংগৎতুনা মোংলিবদু উরগা মখূৎতা পায়রিবা নৌ অদু ঈশিংদা য়ৈদুনা খংহনগনি, ঙাশিংনা খংদুনা ৱাংনা ৱাংনা চোংখৎপদু উরগা নোংয়াইনা শিথ শিথ নোক্কনি।

লৈচিন কৃংনা থাবনিনা মাঙগী লম্বী শান্না উবা ফংদে। অদুবু লীক্লম নীংথিজনা লৈবনিনা লম্মাংনগনি হায়বগী অকিবদি লৈতে। মশু মপু শাজেন তৌবগী হূমাং কারম্বা মশাদু পাৎকী অঙ্গৈংবা নুংশিৎনা য়ৈবদা তপ্পা তপ্পা ঈংথরক্লে। তাঞ্জাদুদা খঙহৌদনা লৈনম পুবা নুংশিৎ অমসু শীৎচিল্লকই। থম্বাল লৈনমনি। থম্মাপোকপী মপা য়ৌরে। লৈনম অদু নম্লকপদা মচে নীংশিংলকই। লৈশারিঙৈদদি নোংয়াইগী মচেদু থম্বাল য়াম্না পাম্বনি। অদুনা পাৎতবু কৃম্লবা মহাক্লা মচেগীদমক থম্বাল হেক হেক হেক্কুনা পুবিরম্বনি। হৌজিক্তি মদুগী মতম হেনখ্রে। মচে ময়ূম পাল্লে। অদুনা মফম অদুদা চঙনীংবগী অপাম্বা লৈত্রে। থম্বাল হেকপগী অপাম্বা লৈত্রগসু মফম অসিগা তৎন থানবা য়াদ্রবা থৌদোক অমদি মহাক খক কাউবা লৈতে।

নুমিৎ অদুদনি মহাক্কী মচেনা মবাইগা লোয়ননা মাঙখিবদু।

কুম অমগী খুনগী লাই হরাওবদা খুন অদুদা লৈবা পাখং লৈশা পূম্নমক

লায়র-ইনাকখুনবা থিদনা ইবুধৌগী জগোয় থৌগল তৌবা মহৌশাদগী চৎনরক্লবা চৎনবী অমনি। খুঙ্গংগী পুন্সিদা কুম অমগী খ্বাইদগী নুঙাইজবা কৃম্মে হায়বা তারবদি লাই হরাওবা অসিনি। লৈকায়গী মমান্নবীশিংগা লোয়ননা নোংয়াইগী মচে থাদোইসু জগোয় য়াওরম্মী। মচেনা জগোয় তম্বা চৎপদা মহাক হেক হেক য়াওই। মদুগী কান্নবনা মহাক বাঁসি খোংবা হৈহৌই। বাঁসিগী ওজা শাজৌনা নোংয়াইদা বাঁসি অমা পী, মহাক্না খোংবসু তম্বী।

লাই হরাওবা লোইখ্রে। হরাওবা লোইরবা মতুংদা নোংমা মচেহোয়গী জগোয় খূৎপু অদু জগোয় তম্বিবা ওজাশিংগা লোয়ননা চাক চানরম্মী। চাক চাবা অদুদা নোংয়াইসু য়াওই। পূম্নমক্না নোংয়াইবু লুনা চান্না তৌই। চাক চাবা তোক্লবা মতুংদা ময়াম পূম্নমক হি তোংদুনা পাৎতা কোয়রম্মী। হি তোংদুনা পাৎতা কোয়বদুনি নোংয়াইনা য়াম্নমক খোয়দাজরিবসু। খোঙচৎ অদুদা মখোয় লোইনমক থমচেৎ চাবা থম্না পাৎতা চঙলম্মী। নোংয়াইদি নুংঙাইবা হায়বদু থেংলে। মচেহোয়দি খুল্লং ঈশৈ শক্কুনা জগোয় শাদুনা নুংঙাইরি। নোংয়াইদি ঈশৈ জগোয়কা চঙদে, লাম লামদুনা থম্বাল থমচেৎ হেক্লি।

নোংয়াইনা থম্বাল, থমচেৎ হেক্লিঙৈ মচে কদোমদা চৎখিবা খঙহৌদ্রে। .মায়কৈ মরি কোয়য়েং য়েংই, মচে উদে। ময়ামদা হংবদসু কনামতা খঙদ্রে। ময়াম পূম্নমক কোয়লাং লাংই।

"ওজা শাজৌসু লৈতে।"

অমনা হায়রকই।

লাঙলম্বা পূম্বা নেমথখ্রে। ওজা শাজৌ হায়রিবসি মহাকপু য়াম্না লুনা তৌবা ফুবালাদগী বাঁসি খোংবা ওজাদুনি। মহাক নোংমতা খল্লুদে করিগীদমক ওজা শাজৌনা মহাকপু লুনা তৌরিবনো হায়বা। মতম অদুদতা ৱাখল তারকই। নোংয়াই লৈতাফম খঙদে। হিদু হোল্লদুনা মচে থিরকই। মচে শেন্নবগীদমক মমানা মহাকপু মচেগী মতুং ইলহল্লিবনি। মচে কৌ কৌদুনা লেপ্লা লৈতনা হি হোল্লি। মচে অদুম থিবা খঙখিদ্রে। নুমিৎসু তাশিনখ্রে। নোংয়াই লৈতাফম খঙদে ঈয়ায়দুদা লম্মাংনরে, মপুক্লিংদা অকিবা পোক্লক্লে। অসিগুম্বা মতমদা

মপুবোক নীংশিংলকই। মপুবোক্না তত্তনা হায়, 'নুপাদি নুপা থোক্কদবনি।'

ফনা শাংনা হি হোন্দোক্লক্লে। মহাক লোক্তাক্কী করম্বা মফমদা লৈরিবগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রে। অবাপ্পা মফম খরদা মৈ থানবা উই। পাৎকী মচী মচীদসু লোক্তাক ঙামীশিংগী থাউমৈনা অতিয়াদা থরানমিচার্কশিংনা কুফেৎ কাফেৎ ঙানবগুম ঙাল্লি। অদুনা কা হেন্নদি কিবা ফাওদে। থৌনা অমা লাকই— পাৎ অসিদা ইথর্ন্তদি নত্তেদনা! মঙালগী মাযকৈদা মহাক্কী হিমায় লৈরক্লে। ঈংলবসু ঈংনা অহীং অদুমদি ঈয়ায় অদুদা লেনবা তাখি। নিংথমগী অঙ্গীংবগা শীংনদুনা ফনা কুইনা পাৎয়াইদুদা লম্মাংনদুনা লেনখি।

তৌফম খঙদদুনা হিথক অদুদা ফম্লদুনা নোংয়াই ঙৈহাক লৈরে। অতিয়াদা য়েংখৎলি। থা থোক্তে, থরানমিচাক ময়াম অমা কুফেৎ কাফেৎ ঙাল্লি। কদোমদগীনো খঙহৌদে অকনবা নুংশিৎ অমা শীৎলক্লে। মহাক্কী নৌ অদু পায়খৎলি। অদুবু নৌ অদুনা হিমায় চুম্বা ঙম্বগী থৌনা লৈখিদে। কান্নবরোই খল্লমাল্লে মহাক্কী হিদু মনীং তমহল্লে। মতম অদুদা মহাক্না হোৎনরিবা হায়ববু মহাক্কী হি অদু লূপ্তনবা শেন্নবা অসিতনি। ফিভম অদুদা নোং য়াওবিরক্তবদু মহাক্কী লাইবক ফবনি। নুংশিৎনা হুম্বা মাযকৈদা চৎলিবা মহাক্কী হি কদায় য়ৌরবগে হায়বা মহাক খঙদে। খঙনবসু হোৎনরুদে, থোক্লবা অমা লাক্লনি অসিনি। ঙৈহাক্কী মতুংদা মহাক্কী হিদু নুংশিৎ কন্না শীৎতুনসু লেঙ হাইখিদ্রে।

নুংশিৎ তপ্না তপ্না নেমথখ্রে। লোক্তাক ঈয়ায়দু চেক মোক লাউখিদ্রে। নুংশিৎ লেপখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা অনকপদা কনানো অমনা মৈখেৎ খেৎলকই। হিথক্তুদা তুমপক তাশিন্দুনা মহাক্না লৈরম্বদুদা নুপীগী খোঞ্জেল অমনা খংলাউ লাউরকই,

"কনানো?"

"ঐনি।"

নোংয়াইনা তপনা খুমই।

মফমদুদা লৈরম্লিবা নুপী অদুনা মৃৎলুরবা মহাক্কী লালটেন অদু চূখৎলকই। মদুদতা খঙলকই মহাক্কী হি অদু ইনফম ফূম অমদা পল্লে। নুপী অদু থেংনবদগী

নোংযাই থৌনা লাক্লে। মহাক্না ৱাবী পূন্নমক নুপী অদুদা লীবে। অহীং অদুমা ইনজিংবী ইমা অদুগী মনাক্তা লেনখি।


নোং হেক ঙানবগা মহাকপু থিবা লাকপা মপুবোক্কী খুৎপুগা থেংনদুনা ময়ূমদা হল্লকখি। ময়ূম য়ৌবগা খঙলে মহাক্কী মচেদু বাঁসি খোঙবা ওজা শাজৌদা চেনখ্রে। হৌনবী মতুং ইন্না মচে লুহোংখ্রে। অদুবু লাইবক থীবদি চহী ওন্দনা নোংযাইগী মচে থাদোই মপামদা হল্লকখি।

'করিগী মচেনা মপামদা হল্লক্লিবনো!'

মতম পূন্নদা মহাক্না থিরিবা পাউখুমনি।

অতিয়াদগী অরাঙবা খোঞ্জেল অমনা মহাকপু মিকপ থোকহল্লকই। চাক্তাফম থিবকপা লমকোয়বা উচেক কাঙবু অমা থুংলবগী খোঞ্জেলনি। যামখ্রবা উচেকশিংনি। ঙৈহাক অমসু উচেকশিং অদু য়েংদুনা লৈথোক্লুবে। খংনীং অমুক নীংশিংলকই মহাক মচে থিনবা চৎকদবনি।

থুনা য়াঙনা নৌ পায়খৎতুনা ময়ূম মাযকৈ পাংলক্লে।



অনী

নোংয়াই মচে থিনবা লাকপনি। মচে থাদোইদি হিদেন হেক য়ৌবগা কূমথদুনা থুনমক লায়েংশঙ তম্না চৎখ্রে। মচেনা লায়েংশঙদা থবক ফংলিবসি মতম খরগীতনি। অঙাং উনবগী ছুটি লৌখিবা এটেন্দেন্ট অমগী মহুৎনি। পূম্নমক অসি লায়েংশঙ অসিদা নর্স ওইনা থবক তৌরিবা মচে লাংলেন অমসুং ডাক্তরনা নুংশিবীবদগীনি। মখোয় হান্না খঙনরকপা অমসু নত্তে। মমা লায়েংবা মতমদতা খঙনবনি। মচেগী অনাবা সেবাদা থৱায় য়াওজবা, ঐগী মীগী নাইদবা, তন্দবা মতৌদুদা নুংশিবীবনি। করিগুম্বা ছুটি লোইদুনা এটেন্দেন্ট নুপী অদু কারকপা তারবদি মহাক্না পাঙথোক্কে খল্লিবা থবক অসি পাঙথোকপা ঙমহৌদবসু য়াই।

তাঞ্জা অসিদা ওজা কমল অদুতং লৈরম্লবদি, অচৌবা পাম্বৈ অমা ওইরমগদবদি। হায়বদি হায়রম্বনি— 'ছুটি কাদ্রিবৈদা ঐ লাক্কনি। হি তোংদুনা পাৎ থুংনবা কোয়গদবনি।'

ওজা কমল ইম্ফালদগীনি, কৈশাম্পাৎতগী। ওজাগী শিনফম অসি মহাক্না য়াম্না খোয়দাজনা চঙলকখিবনি। হৌজিকসু অদুমক খোইদারি। চহী অহুম হায়রক্লে মহাক্না খুন অসিদা লাকখিবা। মহাক কাউবগুম তৌরে, থাঙ্গা খুঞ্জাও অসি মহাক্কী পোক্লফম নত্তে হায়বা। মসি পূম্নমক্কী মরম অমনা মঙোন্দা লমদম অসিগী মীয়াম্না উৎপিবা ইকাইখুম্নবা অমসুং য়েংবিবা মিৎয়েং অদুনি। মহাক্না নোংয়াইবু হেন্না নুকশিন্না লুনা তৌবগী মরমসু লৈ। মহাক্না খুন অসিদা অহানবা খোঙদারকপা মতমদা মহাকপু তরাম্না ওকপিখিবা নোংয়াইগী মপুবোক্না নোংয়াইবু মহাক্কী মফমদা চেৎনা শিন্নখিবা অমসুং নোংয়াইগী মপূকচেল ইচম চম্বা, হায়বা ইনবা অমসুং মথৌনা ফবা অদুদনি।

স্কুল ছুটি খূদিংগী চীংয়া-তময়াদা, পাৎতা, কৈথেলদা মফম হোং হোংদুনা চৎপসি ওজা কমলগী পামজবনি। মহাক্না খ্বাইদগী খোয়দাজবনা পাৎতা হি তোংদুনা চৎপসিনি। মহাক্কী অমতা ঙায়রবা খোঙবুনা নোংয়াইনি। নোংয়াই মহাক্কীদি মহৈরোয়নি, মরূপসুনি।

থবক পায়খৎলমদাইদা ওজাগী ৱা অমতংদি তানীংলম্বনি। হৌজিক্তি ঙাইবগী থৌনা অদু লৈরক্ত্রে। ফিভম্না অমসুং মতমনা ঙাইগে হায়না খন্দ্রে। নোংয়াই মতম পূম্বদা মপুবোক্না অমসুং ওজানা হায়বা ৱাশিং অসি কাউদে। কাউদনবসু হোৎনৈ। ওজানা মঙোন্দা তোয়না হায়বা ৱাহৈ অমখক লৈ— 'যূম্ফম য়াওদবা ৱাদা খক থাজবা থস্লোইদবনি।' ওজাগী ৱাহৈ অসিমক্না পীরকপা ঈথিলনি মহাক্না থবক অসি পাঙথোক্নবা ফিরেপ অমা লৌরিবসি।

তশেংনমক নোংয়াই মহাক্না পাঙথোক্লীংলিবা থবক অসিমা হেক পাঙথোক্ত্রিমখৈদি ৱাখল লৈতাগদবা লৈত্রে। নোংয়াই মিৎকূপ অমতসু মহাক্কী মকোক্তু ৱাই শঙনা লৈতে। মমাঙদা থোকখিবা মচেগা মরী লৈনবা থৌদোক মচা মচাশিংনা মীৎমাঙদা চোংথোক্লক্তুনা ওৎলৈ। থৌদোকশিং অদুগী মনুংদগী মহাক্না খাঙবদা ৱারিবা থৌদোক্তি মচেনা মশা মথন্তা শিজনবা হোৎনরম্বা থৌদোক অদুনি। নুমিৎ অদু করম্নদি কাউরুরগনি!

মচেনা নুপা ময়ূমদগী মপামদা হল্লকখিবা নুমিৎতগী হোংলক্লিবা নোংয়াইগী মওং মতৌ অদু মহাক্কী মমান্নবশিংনা খঙই। মহাক্কী ইহৈ হৈনীংদবা মতৌ, কনামতগা লোয়ননীংদবা মতৌ অদু উরগা মখোয়না লক্ননীংই।

নুমিৎ অদো নোংয়াই মথন্তা ৱাখল তৌনা তৌনা স্কুলদগী ময়ূমদা হল্লকপনি। মহাক্কী মাঙদা অমসুং তুংদা মমান্নবা ময়াম অমা চৎলি। মহাক্তি কনামতা উদে। মহাক্কী মতৌ অদুদা মমান্নবশিং অদুনা তাঞ্জা লৌদুনা মহাকপু করেম্নরকই, লক্নরকই। মখোয়না ঙাঙলিবা হায়রিবশিং অদু মহাক অহানবদা ৱা ওইনা লৌদে, তায় তাশিন্নদে। অদুবু ৱাহৈ খরনা মহাকপু ফাথবা ঙমদনা শাউহনখি। মমান্নবশিং অদুগী মরক্তগী অমনা হায়রকখি,

"কৈদৌ লক্করুরিবনো কিজদ্রো?"

অমনা খুমলকই, "কৈদৌ কিদোইবা?"

"মমীৎ অসিনা শংত্রিক য়েংলকইদু উদ্রা? মপাসু মমানা চাথোকখ্রে। মবাইসু মচেনা চাথোক্কদৌরে হায়দুনা তাল্লকইনি খঙলেদনা।"

মচে শোক্লকপদুদা নোংয়াই খাঙদুনা লৈবা ঙমলক্তে। মহাক চৎলম্বদগী চপ লেপ্পি। মমীৎ অদু শাউনীংবনা ঈ কায়। মমায় লৈথোক্তুনা মখোয়না লাকপা লম্বী অদুদা থৎতুনা লৈরে।

মমান্নবশিং অদুনা মহাক্কী মনাক হেক নকশিল্লকপগা হংলকই,

"কনানো হৌজিক চীন থীখিবদো?"

"নঙোন্দরা? ঐখোয় সুম ৱারী শাজবনি।"

"নরীন পান্দ্রবদি নচীন থীগনু।"

"এ: এ: কিজৈ অদুম্নকা য়েংবিরক্কনু।"

করেম্নবা ৱাহৈ অদুনা অমুক্কা হেন্না অচাকপা মৈদা ঘি হৈজিনবগুম থোকখ্রে। মশা অদু নীক্লে।

মমান্নবদুগী খূদাং পায়রদুনা হায়রকই, "অমুক্তগা হায়যু।"

"ঐবু নঙগী মীনায়রা? নঙনা হায়যু হায়রগা হেক্তা হায়গদ্রা?"

উশিৎ থওইদবা মমান্নবগী ৱাহৈ অদুনা নোংয়াইবু হেন্না শাউগৎহল্লে। ফাথবা ঙমহৌদদুনা অমমমতা ওইনা মমান্নবা অহুম্মক লোংখ্রৌ য়েৎতুনা লংথরে। মখোয় অহুম অদুসু হন্দে, মখোয় অহুমগা নোংয়াই মথন্তগা লম্বা তৌদুনা ফূনরকই। মখোয়না নোংয়াইগী মমাঙদা লেপ্পা হায়বদুদি ওইথোক্তে। অমমমতা ওইনা মখোয় অহুম্মক মায়থীবা পীরে। মখোয় অহুম্মক চেনখ্রে।

অচেনবা মীবুদি নোংয়াইনা খক তান্নদে।

নোংয়াইমযূম য়ৌবতা ঙায়রি, ইমুং ফাওবা চঙদ্রি। মীয়াম অমা শুমাঙদা লেপ্লরে। নুপী অমনা লাউরকই, "কদায় নোংয়াই হায়বা হিংচাবীগী মচা হিংচাবদো?"

মতম অদুদা নোংয়াইগী মমাদি কৈথেলদা ঙা থাবা চৎখি। মীয়াম অমা

মপান্দা লাঙবদু তাবদা নোংয়াইগী মচে থাদোইদো ইমুংদগী থোক্লকই। লৈরম্লিবা ময়াম অদুদা হংলকই।

“কনা কৈদৌরে ইচে?”

নুপী অদুনা অয়াকপা খোঞ্জলগা লোয়ননা খুমলকই ।

“কৈদৌবা হায়ববু নৌপ্পা হিংচাবা অসিনা ইচা চাথোক্লমগদৌরে। য়েংউ ঈহিং নাহিং শারিবা ইচাগী মমায় অসি।”

য়াম্নমক শাথীনা শোকপা নত্তে। মীৎথক ওইরপ খরদি হুবাৎলে। থাদোই ইফিং ফিঙ্গৎপা তৌদনা খুমলকই, “ইনে, ঐদি খঙহৌদ্রে। মহাকসু থুংলবতা ঙায়বি। ঐ অমুক্তা হংজখিগে।”

“হংদ্রবসু য়ারে ইবেম্মা, অসুম হায়না মথি ফোংলবদি ইনেহোয়দি ইচা ইশুকা মপান থোকহনগদৌবা হঙ্গোইরে।”

থাদোই শাউদনবা মপূক্লিংদু ফনা কন্না ফাথজবনি। ঙাঙলিবা খোল অদুনা খুমদবা ঙমদ্রে।

“ৰাগী ৰা চুম্না হায়বিয়ু ইচে। মখা তারক্লবদি কয়া নুংঙাইরোই।”

থাদোইগী ৰাহৈ অদুদা খুদোংচাবা লৌদুনা নুপী অদুনা মখা তাবকই।

“কয়াদনোসে, মৌপ্পানা ইচা ফূরম্লে, মৌপ্পা ৰারক্কেদি হায়দদনা ঐঙোন্দদুম ওনশিল্লক্লিনে। এ: এ: শাউবিনু শাউবিনু, ঐখোযনা লানবা ঙাক্তনি। ঐখোয়দকা ওনশিনবিরক্কনু ইচা ইশু শেমগদবা য়াম্না ৰাৎলি।”

থাদোই থৌনা লাক্লে, ৰাগী ৰাপা চানা খুম্লকই, “কিরদি কৈদৌ লাক্লি?”

নুপীদুসু হন্দে মখা তারকই, “হন্দক্না হন্দক ওইখ্রে মথংদা অমুক মথি ফোংলক্লবদি লৈকায় তাক্কনি হায়গে লাক্লিবা।”

“হুম লৈকায় তাক্লগা কৈদৌদৌরিবা?”

“লৈকায়দা মহূ চেনবা নুপা নুপী থম্বা য়ারোই হায়দৌরিবা খঙলবরা?”

অকোনবগী ৰাহৈসিমদি মথৌ য়াম্না কল্লি। থাদোইগী থৌনা পূম্বা মাঙখিবগুম তৌখি। মীয়াম অদু করি করিনো খরা ঙাঙলম্লগা চৎখ্রে। মহাক্কী অশাউবদু মৌপ্পাদা হৈথরক্লে।

"নঙবু কনানা মী ফূনৌ হায়?"

মখূবাক অচৌবদুনা নোংয়াইগী মনঙ্গলদা অহুম মরিরক থারকই। নোংয়াই চেন্দে, মখূৎসু হন্দে।

"খুম্মুনে, নচীন্দু পান্দ্রো'? করিগী মী ফূনরুরিনো'?"

নোংয়াই থৌনা লাকপগুম তৌরকই।

"ইপাসু মমানা চাথোকখ্রে। ইবাইসু নঙনা চাথোক্কদৌরে হায়দুনা নুপা ময়ূম্না তান্থোক্লক্লিনি হায়রিনিনে।"

হাইগৎলম্বা থাদোইগী খূবাক্তু মথন্তা হীকথখি। মখা অমুক তারম্বা তৌদনা থাদোই ইমুংদা চঙখ্রে। মমায় অদু মোন্দা উপল্লিদুনা মখোল থোক্লা কপখি।

নোংয়াই তৌফম খঙদনা নুংথিল চূপ্পা অমা ফুম্বংনদুনা লেনখি। নুমিৎ তাখিবা খঙহৌদ্রে। মহাক্লা ৱাখল লাকপা মতমদদি পূন্মম মল্লম্লে। অদুবু ইমুং অদু মৈ চূখৎলমদ্রি। মচে খঙনীং নীংশিংলকই। কৌররকই, "ইচে ইচে।"

পাউখুম লাক্তে। ইমুং মাঙ্গোল কোয়না থি, মচে থিবা ফংদে। মমানা নুমিৎ খূদিংগী চৎলমদাইদা হায়রম্বা ৱা নীংশিংলকই।

'নচেবু মথন্তা খক থাদোক্কনু।'

মমা ঙা থাবা চৎখিবদগী হল্লক্ত্রি। মহাক্কী হায়ববু মপুবোক নৎতনা কনা লৈতে। পাৎকী হিদেন তম্না চেন্থোক্লককই। মল্লি মল্লিবা অদুদা মহাক্কী হিথক অদুদা কনানো অমা লেপ্পা উই। মহাক লাকপগী শামিন ফংখ্রমাল্লে নংহৌররোই মতাগুম হিথক্তা লেপ্লম্বা মীওই অদু ঈশিংদা চোংথখ্রে। নোংয়াই অফিং অফাই ওইনা লাউখি।

"কনা কনা লৈগে মী ঈশিংদা তাখ্রে।"

লাউবগা ঈশিংদা চোংথবগা মান্নে। লাইবক ফবদগী ইকানমক কান্নদনা মচেগী হকচাং থেংনরে। তপ্না তপ্না মচেবু ঈশিংদগী চিংখৎলকই। নোংয়াইনা লাউবদু তাবদগী মী ময়াম অমসু লাক্তুনা মহাক্কী মতেং পাংলরে।

অসুম্না নোংয়াইনা মচেবু কনবা ঙমহৌবনি। অদুবু মচেগী মায়থোঙগী মকা লাম্বা শক্তমদুদি উবা ফংদ্রি। মসিনি মহাক্কী অৱাবা। অদুননি মহাক্লা লৈতাবা

ফংদ্রিবা। মচেগী মায়থোঙদা মোমোন মীনোক্কী শক্তম হেক উবা ফংদ্রিমখৈদি নোংয়াইনা খক লৈতাগদবা লৈতে। মচেদা মীয়াম্না নপশিনবিরিবা অথীবা মিংদা অসি অচুম্বা নত্তে, লান্না থাজবনি হায়বসি মহাক্না মীয়ামদা অমুক্তং ঊৎপা পাম্মী।

নোংয়াই খঙই মচে চঙখ্রবনিনা মচে লাংলেন শোয়দনা লায়েংশঙদগী থোক্লক্লগনি। অদুনা হিদগী কূমথরগা মচে লাংলেননা লাক্কদবা লম্বীদা ঙাইদুনা লৈরে। মচে লাংলেন থোক্লক্লে। নহানমখৈদি মচে হেক থনম্বগা ময়ূমদা হনবনি। নোংয়াইনা লেপ্তুনা লৈরম্বদুদা মচে লাংলেনদু ইঙক ঙক্লুরে। হংলকই, "কৈদৌরে নোংয়াই?"

"কৈসু তৌদে।"

নোংয়াইনা খুল্লকই।

নোংয়াইনা কৈসু তৌদে হায়জরবসু মচে লাংলেননা খঙই, মহাক করিগুম্বা খরা হায়নীংই। অদুনা মখা তারকই, "নোংয়াই ঐখোয়দা চৎলুসিদনা?"

নোংয়াই ঙাইঙমদনা খুমলকই, "হোয় ইচে।"

মচে লাংলেনহোয়দা নোংয়াই চাকসু চাথোক্লে। চাক চাবা তোল্লবা মতুংদা মচেনা ৱারী হৌরকই।

"নোংয়াই নঙবু ইচেদা করি হায়নীংগেনে?"

নোংয়াই মচে লাংলেন্দা মুন্না য়েংদুনা লৈ। মচেনা অমুক্কসু হংলকই, "হায়যুনে নোংয়াই করিমতা হংগোইগনু।"

অরৈবা থৌনা পূম্বা খোমজিল্লগা হায়রকই।

"ইচে, ইবাই নাই হায়বদু ইমাদৌনা লায়েংশঙদা পুদুনা লায়েংবা য়ারোইদ্রা?"

মচে লাংলেনদু স্বায় লাউই। পাক খুমদে, নোংয়াইদা মুন্না য়েংদুনা লৈ। অঙাং ওইজরবসু নোংয়াইগী ৱাখল অদুবুদি মচেনা থাগৎতবা ঙমদে। মমা লায়েংখিবদুসু মহাক্কী থৌরাংনি হায়বা খঙই। মচেনা খুল্লক্তবদুদা নোংয়াই নীংবা কায়রম্মী।

ঙৈহাক তৃমিন্না লৈরুরবগী মতুংদা মচে লাংলেননা মখা তারকই, "নোংয়াই, নঙগী অপাম্বদু ইচে খঙই, নঙগী অপাম্বদু ঐগীসু, নচেগীসু অপাম্বনি। অদুবু খুন্নুংগী অমম্বনা কৃপ্লবা নবাইগী মমা ইনেদুনা ডাক্তরদা লায়েংবসি শিরগে হায়বমখৈ য়াদে। মাইবা হনুবদুনা শুমদুনা থমখ্রে। নবাইবু পোকপা মাম্মদুদি ইচম চমজবনি। অদুগী মথক্তা শোনসু শোল্লে অদুনা মহাক্কী ব্রা ইনেদুনা লৌবিদে। ঐদি লায়েংশঙ অসিদা থবক তৌবা মীনি, অনাবদুগা করিসু থোক্লবসু নত্তে। করম্না ঐনা ব্রাফমদু হৌদোক্লগনি? মীনা ঐবু করি হায়নগনি?"

মচেগী ব্রাহৈশিং অদুনা অমুক্কা হেন্না নোংয়াইবু নীংবা কায়হল্লম্মী। নোংয়াই ব্রা মখা অমতা তারক্তে। মহাক উংদুনা লৈ। মৌপ্পাগী মতৌদ উবদা মচেনা মখা তারকই।

"নোংয়াই, খল্লুরনু সে, ইচে অমুক্তা খল্লকখিগে, ডাক্তরসু তান্নগে। ব্রাফম অসি নচেদদি খঙহল্লুখিনু। য়ূমদা ইমানা নুংশা থীরমলগনি। ইচে থিন্দোকপিগে"।

নোংয়াইনা ব্রাফম অদু হৌদোক্লুবগী নামৎ পূম্মাং মাঙবদি নত্তে, মচেনা খল্লকখিগে হায়রক্লিবদু খিৎকী নত্তে। মরমদি মচেবু নোংয়াইনা য়াম্না থাজে।

মখা অমুক তারমদ্রে। মচেগী মমাঙ থাদুনা থোক্লক্লে।

মচে লাংলেন্না চৎলমদাইদা হায়রকখিবা 'অমুক্তা খল্লকখিগে' হায়বা ব্রাহৈ অদু মতম চৃপ্পদা নোংয়াইগী কোক্তা নিন্দুনা লৈরে। মহাক্না হৌজিক ঙাইরিবসি মচেনা ব্রা অমা হায়রকপদুনি।

নুংঙাইবা পাউ অমনা নোংয়াইহোয়গী খুন্দা ডাক্তর য়াওনা অনা লায়েংগী খূৎপু অমা হীদাক কাপ্পা লাক্কদৌরি। নোংয়াইনা নুংঙাইরিবদি হীদাক কাপ্পা ময়াম অমা লাকপদু নত্তে। ডাক্তরগা লোয়ননা মচে লাংলেনসু য়াওরক্কনি খনবদনি। মখোয়গী য়ূমদা ময়াম পূম্নমক চাকসু চাগদৌরি।

অয়ূক পূং তরামুক তাবদা মচে লাংলেনহোয়গী খূৎপুদু নোংয়াইহোয়দা

থুংলরে। থোংবা থাকপদি মচেনা অহীং হৌদুনা ঙসাইনা লোইরবনি। মখোয় পূম্নমক নোংয়াইহোয়দা চাক চারগা খুঞ্জা পূম্বা হীদাক কাপকদৌরিবনি। ডাক্তর য়াওনা লাক্কনি হায়বদুদা নোংয়াইগী মমাদুসু নুংঙাইজে, নুংশাসু থীজে। ডাক্তরগী মপান্দগীনি মহাক্না নাবা ফরক্লিবদু, ডাক্তরনা মপোক অমা পোকপিরবনি হায়না খঞ্জরিবনি। অদুনা মমাদু ৱাজে, কোয়চেন চেঞ্জে।

লায়েংশঙগী মীয়ামদা নত্তনা মানা খঙজবা, মহাকপুসু লুনা তৌবিবা মী ময়াম অমা ময়ূম্মক্তদা থুংলবদুদা নোংয়াইদি হরাওবগী ঙমখৈ লৈত্রে। মহাক কোয়চেল চেল্লি কোয়লাং লাংই। মহাক্কী ৱাজবা মতৌদু উবদা মচে লাংলেননা লক্লরকই, "নোংয়াই ৱা অমা হায়গদবা লৈকো।"

হেক লাকপগা পন্থদ্রে ময়ামদু চাক চারে। খুন চাউই অদুনা হীদাক কাপকদবা মীসু য়ামই। নুমিৎ তাদ্রিঙৈদা পূম্নমক লোইহৌদবা য়াদে। মখোয় পূম্নমক অমুক হনখিগদবনি।

ক্লবকী শঙদসু, স্কুলদসু মফম অনী থোক্লা হীদাক কাপ্পবা থৌরাং তৌরে। খুঞ্জা মীয়াম্না মফম অনীমক পীক থল্লি। ক্লব অমসুং খুনগী নহারোলশিংনা মতেং পাংলি।

নুংথিলগী পূং মরিমুক তারে হীদাক কাপ্পা পূমলোই লোইবদা ।

চৎলমদাইদা ময়ামদু নোংয়াইহোয়দা অমুক চঙলকই। থেঙখ্রে হায়দুনা হোবে হোবে তৌই। মচে লাংলেনগা পাউ ফাওনবা ফংলরোইদ্রা খনবদা নেংয়াইদি থৱায় ৱারে।

মহাক্না থৱায় ৱাবদু খঙবিবগুমনা মচে লাংলেননা মমাদা হায়রকই।

"ইমা ঙসি ঐখোয় লৈকায়গী লম্পাক্তা শুমাঙ লীলা তৌগদৌরি। নোংয়াইসি পুবিখ্রগে?"

"মাবু য়েংনীংই হায়ব্রনে।"

মমানা হংলকই। মচে লাংলেননা ইঙ্গিৎ অমগা লোয়ননা নোংয়াইদা ওনশিল্লকই।

"নোংয়াই ! ইমানা হংলিসে।"

পন্থবা তৌদনা নোংয়াইনা খুলকই, "চৎলুগে ইমা।"

"অদুদি থাদোই ঙসি নুমিদাংগী ডিয়ুটিসি নহাক্লা পুহৌবা তাবা। লীলা হেক লোইবগা ঐসু লাক্কনি।"

মচে লাংলেননা হায়বদা কনাসু হীক্তোকপা ঙমদে।

থাদোইসু খুমলকই, "হোই ইচে।"

ফুবাল্লা খুঞ্জাও অদু খোইরেল মশা পাল্লে, পূন্নাঙ লাঙখ্রে। চাউরবা খুনগী লম্পাক অদু মীনা চোন্না তিল্লে। অশোন-অনা, হনু-হন্থী অমসুং তঙাইফদবা য়ূম শঙবা খরা নৎতনা য়ূম-য়ূমদা কনা মতা লৈহৌদ্রে।

ফুবালা খুনদা নত্তে থংনবা খুন মখৈসুনি।

শুমাঙ লীলা য়েংনি হায়দুনা থাঙ্গদগী মচে লাংলেনগী তুং ইন্নবক্লিবা নোংয়াইদি লীলা চঙদে। মচে লাংলেন অমসুং মচে লাংলেনগী নুপা মবাই অদুসুনি। খঃনবা যাবা কয়া তরেৎ-তরা থোক্লা নৈনরবা মতুংদা লান অসি চঙশিনবদা লেপ্লে। লাল্লোংসু শীনবা লোইরে। হন্দক মচে লাংলেন্না নোংয়াইগীদমক্তা লৌবিবিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাউই। মহাক কিদবদি নত্তে। অদু ওইরবসু মহাক্কী মপুরোইবনা পাম্বোম তিংলিঙৈদা মহাক কনাবূসু কিদে। অহানবদদি মহাক্কী নুপানসু য়ারমদবনি। চুম্না য়াদবতা নত্তে, চৈ— "নথৌ নত্তনা নথৌ শাগনু।"

ৱারী পূম্বদু তারবা মতুংদা মপুরোইবদু যারকখিবনি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা মচে লাংলেননা নুংঙাইরিবা অমসুং থৌনা ওইবিবদি মনে থরোনা মখোয়গীদমক লেপ্পিরকপদুনি। অহানবদদি মনে থরোসু য়ারম্বা নত্তে। হায়জবা য়াবা থেম্বা য়াবা থেন্নবা মতুংদা য়ারকখিবনি।

"ইবেম্মা! ননেদি ইপুরোইবা ঙন্তা লৈখিদবদগী ইপামসিদা যাম্না তোন্না লৈরিবনি। ইনম্মা অসিনা য়াবগী লৈরিবনি। ইবুং অসিদি শোনসু শোল্লে বাখলসু খ্বাইগা মান্নদ্রে। ঐনা লীরিবা ৱাশিং অসি ঐনা হায়বনিকা খঙলবদি লোইরে।"

"কনাসু হায়রোইয়ে ইনে, অদুনবু অয়ূক নুংথিলদা লাক্তদুনা নুমিদাংদা

ওইনা লাক্লিবসিনি। হায়বিয়ু ইনে কনানা হায়রগদি ইনে তম্পাক্লা অনাবসি লায়েংশঙদা পুদুনা অমুক্তং লায়েংসি হায়বা য়াগনি?"

"ইচানা অদু য়ৌরবনিনা হায়রগে। কনামতনা হায়বদা য়ারোই ইবেম্মা। হৌজিক লায়েংলিবা মাইবা অসিনা ঐনা লায়েংবা ঙম্লরোই হায়হল্লগা লোইরে। অদুবু লুরিবদি মাইবা অসিনা হায়বিয়ু য়ারোইদবা অসিনি।"

"করি তৌরগদি য়াগদবা মাল্লি ইনে।"

"মাগীবো, শেল নৎত্রগা চৈ। মহাক্কী লাইনীং হায়ববু শেলনি। শেল পীনিবু হায়রবা মহাক্লা য়াদবা লৈতে, তৌবা ঙমদবসু লৈতে। মহাক্কী খ্বাইগা মান্নদবা মীবু শুমহৎপা ঙম্বা মহৈ অমা লৈ। মহাক্লবু চঙখ্রবা ইমুং অদো হেক পুম্মুৎ মুৎত্রিমখৈদি থাদোক্লক্লরোইদবনি। অসুম তৌরম্বা ইমুং নত্তে ইবুংগী ইমুং অসি। মাইবা অসিনা লায়েংলিবনি হায়দুনা থা অমা লেক চাদুনা লৈরকপসিদা ইমূং অসি তুম্লবনি। তিস্ফাগুস্বনি মপুক পীক হেক থন্দ্রিমখৈ থাবগী ৰা লৈতে। ইবুংসিগী লৌ ইঙ্খোল খরা লৈরি অদুননি মহাক্লা ইমুং অসিদা শ্রু শ্রু নৈদুনা লৈরিবসি। অতোপ্পা অমনা ইবেম্মা মহাক্লা খ্বাইদগী কিবসি চৈনি। খজিক খরাক্তা কিবা নত্তে। মপুন্সিদা শিনীংচিৎতা হিংলকখিবা থৌদোক মশীং লাকঙমদ্রবনি।"

মনে থরোগী ৰা অসি তাবদগী লাংলেনগী নুপানা লাল্লোং অদু শীল্লকপনি।

লীলা হৌখ্রে, লীলাগী মখোল, মরক মরক্তা মীয়াম নোকপগী মখোল নৎতনা অতৈ অমা তাখিদ্রে।

তাঞ্জা অসি লৌহৌদবা য়াদবনি। মবাইনা হংলকই, "নোংয়াই নঙবু কিরবরনে?"

"কিদেদা ইবাই।"

"চঙদ্রিঙৈদি চঙদ্রিঙৈনি চঙশল্লুরবনিনা হনবা য়াদে ইবো। ঐ চৎলে মাইবা কৌবা।"

মবাইদু অতোপ্পা নুপা অনীগা লোয়ননা থোকখ্রে।

য়াম্না শাংবা লৈরক্লি লাংলেনহোয়গী লৈরক্তু। মচে লাংলেনহোয়গী যূমনা

লৈরক অদুগী মরিশুবা কোম্হোংদনি। মখোয়গী কোম্হোংদগী পারগা লৈরক অদুমক্তদা কোম্হোং তরুক চৎলগা তরেৎশুবা কোম্হোংদা লৈরে নোংয়াইহোয়গী মবাইগী যূম।

অদুনা ইকুই কুইদনা কোম্হোংদা মী চঙলকপগী মখোল তারকই। লাংলেন লালটেন অমা পাইরদুনা থোক্লকই।

"কমদৌরে অনাবদো?"

"ঙহাক্তা পোৎথাদে লাউবনে খোংবনে। ওজা মাইবা খরা থুনা অমুক্তা য়েংবিয়ু।"

মরী মরী ইমুংদা চঙলকই লাক্লিবা মী পূম্নমক। লাউ খোংই, মশাদু ঙহাক্তা তূমিন্না লৈতে নোংয়াই। মচে লাংলেন্না মখোঙ মখূৎ অদু ফায়। মাইবনা হংলকই, "কয়াম কুইরে, ইবেম্মা?"

"পূংখায়মুক ফারে খুরা, চোইরোলও পারোলও, নুংশা য়াম্না থীরে।"

"এ: ইপা লাক্লবনিনা কৈসু তৌররোই।"

মাইবনা চঙশিন্দুনা নোংয়াইগী খূদাং পায়রকই। হেক পায়বগা হায়রকই, "ই: লাইরেন্বী অসি স্বায় য়ৌরক্লবোইয়ে। অঙাং অসি ঙসি কদায় কদায় চৎলুরে?"

"খুরা মাদি স্বায়দগী নত্তে ঙসিতা থাঙ্গদগী লীলা য়েংগনি হায়দুনা লাকপনি।"

নোংয়াইনা মাইবদা ওনশিল্লদুনা লাউরকই, "ঐনা ঙাইরিবসি নঙনি নঙগী ঈ থক্কে।"

"ঙাক্রো ফংগদরা ইবেম্মা?"

"লৈগনি খুরা।"

লাংলেননা খুম্লকই। মহাক্কী নুপাদা ওনশিল্লগা হায়রকই, "অঙাংসি অমুক্তং ফাবিয়ু।"

"তাইরেন মশা খরগা, ঈশিং খুজাই অমগসু য়াওরকউ। খরা থাদোক্লবদি য়ারোইদৌরি।"

মাইবনা হায়বদুমক মচে লাংলেন্না পুরকই।



"ঐনা মাল্লি হায়দুনা ঙসাইনা লাঙদুনা থল্লবনি খুরা।"

"ইবেম্মা মহূ চেনবী লাইরেম্বী অসি য়াম্না মরাঙ কায়খ্রে। চাবা থকপা খরা চেকশিল্লু।"

মাইবদুনা মহাক্কী খাউদগী থাঙ অথৌবা অমা পুথোক্লকই। করি করিনো লাইরোল তিল্লোন শোল্লদুনা ঙাক্রা অদু লা লাতোন অমগী মথক্তা থল্লদুনা মকোক ককথৎলে। তাইরেল মশা অদু ঈশিংদা লূপ্লগা নোংয়াইগী মশাদা কল্লকই।

"নঙ কনানো হায়য়ু?"

নোংয়াইনা খুমই, "ঐ নোংয়াইনি।"

"কয়াদা মরৌ তৌরিবনো, হায়দবা ঙমব্রা য়েংসি, নঙগী নচীঙ্গাকসু পীজরে হায়য়ুনে, নঙ কনানো? উরবরা ঐনা পায়রিবসে। হায়য়ু মসি করিনো?"

তাইরেন মশাদু নোংয়াইদা উৎলি।

“তাইরেন মশানি।”

“নঙনা নঙ কনানো হায়বা তাক্তুবদি তাইরেন মশা অসিনা কনগদৌরিবনি। অশেংবদু হায়য়ু নহাক কনানো?”

নোংয়াই মাইবগী মতৌদুদা নোক্লীংলক্লে। নোক্লীংবদু ফাথরদুনা মঙোন্দা কন্থনবা হাইথরক্লিবা তাইরেন মশাদু মখূৎনা তাপ ফারদুনা হৌগৎলকই।

“কয়াদা মহূ ময়াই কনখ্রবা লাইরেম্বীনো?”

তাইরেন মশাদু মাইবদগী নোংয়াইনা মুল্লে। মমীৎনা মচেদা ফল্লপ য়েংলম্লগা তাইরেন মশাদুনা মাইবদা কল্লক্লে। মাইবগী মমাঙদা তারিবা থাঙ অদু খূনগৎলগা নোংয়াই মাইবা তম্না চঙশিনখ্রে।

“ঐ মাইবগী ঈ থক্লীংই।”

মাইবদু নোংয়াইগী মতৌদুদা তশেংনা কিরে। হৌগৎলগা মবাইগী তুংদা লোৎখ্রে।

“কৈদৌরগে খুরা অঙাংসি মতা অমা তৌখ্রে, অমুক্তা খাম্বিয়ু।”

মচে লাংলেননা হায়রকই। নোংয়াইসু হন্দে থাঙ অদু উৎলদুনা মাইবা তম্লকই। নোংয়াইবু কনামতনা ফাদে।

তশেংনমক মাইবদু কিরে। চেনফমসু লৈতে।

“নখোয় কনানো অমতা খাম্বিয়ু কৈদৌবগে।”

“করিনো খুরা মাইবা অনাবসি অমুক্তা ফহনবিয়ু হায়দুনা কৌজবনি।”

“মীনম্বা ওইদবা ঙাঙবা মাইবা নঙতা থাঙ অসিনা থিন্দুনা হাৎলগা ফগনি।”

“ইবুংঙো খুরাগী থৱায়তদি কনবিয়ু। ঐনা লানবা ঙাক্তনি।”

হন্দক্তি মাইবা মচীন চুম্লক্লে।

“লানবা হায়বদি করিনো?”

নোংয়াইগী থাঙ অদুনা মাইবগী মনঙ্গলদা নম্লদুনা হংলকই। মাইবদু মরোল ফাওবা থোকখিদরে। কিবনা মশাদু নীক্লে। মাইবগী মতৌ অদু উবদা মচে লাংলেনগী মবাইনা নোংয়াইদগী থাঙ অদু মুল্লদুনা হায়রকই, “ঙাইখো

নোংয়াই অহল অসি কিরে।"

"চীন্থীবা মাইবসি হাত্তোক্লগা ফগদবনি। হিংচাবদি মহাক্লি।"

"খুরানা হৌজিক খুরুম্লিবা লাইদু করি লাইনো?"

"নুংশিৎ চঙবী লাইরেম্বীনি। মহাক্কী মতৌদুদা নুংশিৎ চঙলবোই নীংদুনা মচীঞ্জাক থাবনি।"

"হৌজিক্তি করি ওইরম্লবা'? নাসু নাদবদা নহাক্না ওইদবা কয়া হায়জিন্দুনা মীবু ব্রাহল্লি, শেল তিংহল্লি। নহাক হিংনীংলবদি হায়য়ু নহাক্না হৌজিক লায়েংলিবা মঙ্গি অদু করি ওইনা নাবনো?"

মশা মউ ফবা নহা অনীখকসু চৈ অমমম পায়দুনা মনাক্তা লেপ্লরে। হান্ননা থৌরাং পূম্নমক মবাইনা শীন্দুনা থম্লবনি। মাইবদু ব্রা ঙাঙবা ফাওবা থোকখিদ্রে। কয়াবক অসুম্না খূৎথীবা নংখ্রবনি। নহা অনীদুগী মরক্তগী অমনা মখূৎতা পায়রিবা চৈ অদুনা মাইবদুগী মঙ্গলদা কল্লকই। মখূৎ লোন্নরদুনা হায়বকই, "পূম্নমক ঐনা লানবা ঙাক্তনি ঐবু অমুক্তং ঙাকপিয়ু।"

"হায়র্বদি লাইওং খঙদে নৎত্রা'? নঙনা মরাল লৈজদবী নুপী অদুবুসু অথীবা মিংদা অমা পীশিন্দুনা ইমুং মনুং থুগাইবা। লাইওংসু খঙদনা থৌ তৌবা পুক শুবনা অনাবা ফবা য়াব্রা'? নঙ হৌজিক করি পাম্মী?"

"ঐবু অমুক্তদি ঙাকপিয়ু। নখোয়না তৌ হায়বতা তৌগে।"

"অদুদি নঙ ব্রাশকউ।"

"লম অসিবু কোল্লিবা লাইরেম্বা লাইবেম্বীনা শাখি।"

"ফৈ, অদুওইববদি নঙনা হয়েংমক শাজৌবু লায়েংশঙদা লায়েংনবা পুরক্কদবনি। নঙ চেনবসু য়ারোই। তাববরা হায়রিসে?"

"ঐ য়াজবে।"

"নঙগী খাউ অদু পীরকউ। করি য়াওই সিদা।"

"ইীদাক লাংথক ঙাক্তনি।"

"অতৈ য়াওদ্রেকো'?"

"শেলসু য়াওই।"

"ঐখোয় করি অমতা শোকপিরোই। খাউ অসি নহাক্তা থবক অদু পাঙথোক্লবা মতমদা পীগনি।"

"ইবুংঙো খাউ অদুতদি ঐ পায়জখিগে।"

"মখা তাগনু, মাঙদা চৎলু থিনবিরগে।"

মাইবদু ৱা মখা তারমদ্রে মাঙ থাদুনা চৎখ্রে।

মাইবদু চৎখ্রবা মতুংদা নোংয়াই মচীন মৌপ্পাদু ইশি শিমখৈ নোক্তুনা লৈহৌই।

"নোংয়াই ঙসিগী শুমাঙ লীলাসি নুংঙাইকো।"

মচেনা মখা তারকই। অমুক্কসু নোকই নোংয়াই মচীন মৌপ্পাদু। নোকপা মখৈ নোক্লুরগা মচে লাংলেননা মখা অমুক তারকই।

"নোংয়াই লান অসি হৌবতা ঙায়রি। য়াম্না চেকশিনগদবনি।"



অহুম

নুমিৎ হুমনি শুখ্রে মচে থাদোই লায়েংশঙদা লেক-চাদুনা লৈখিবা।

মমানা নোংয়াইদা তত্তনা হংই।

"করিগীনি হায়গে নচেনা লায়েংশঙ অদুদা লেক চাদুনা লৈখ্রিদুবু?"

"অনাবা য়াম্না লৈ হায়।"

নোংয়াইনা তেন্না খুমই।

"কবি চা থক্কুনা লৈবিবা।"

"আদা থোংফম থাকফম লৈরিদুদি। মা মথন্তসু নত্তনা। ইচে লাংলেনসু, চৌকিদাবসু লৈবিদুদি।"

"অদু ওইববসু চেঙগা ঙাগা খরা থিল্লুচো।"

মমানা অদুতা হাযবকপনি মহাক্না ঙাইরিবা। মচে লাংলেন্না নোংমা নীনীদি লায়েংশঙদা লাক্কনু, মতম চানা পাউ পীরক্কে হায়রকই। মমাদসু ব্রাফম অদু খঙহল্লুখিনু হায়। অদুনা মহাক য়াম্না ব্রানা খাঙলিবনি। মহাকমক্তি মমা লায়েংবা মতমদা লৈবগুম্না লাযেংশঙদা মচেগী মতেং পাংদুনা লৈনীংবনি।

নুমিদাং অদুগী থৌদোক অমসুং মবাইনা লায়েংশঙদা লায়েংলিবদুগী পাউ অদু মমানা তারবদি থবাক য়ৈগনি, শাউসু শাউগনি। লাইবক ফরবদি ফৈ কৰিগুম্বা লাইবক থীরবা লোইরে মমানা শাউগদবসি। মমানা মমা ওইখ্রে। য়ামদ্রবদা মপুবোক অমসুং ওজার্দদি খঙহন্নীংবনি। ওজাবুদি ময়ূমদা চংখিবনিনা হায়রুদ্রবসু মপুবোক্তদি খঙহল্লগে হায়না লেপ্লে। নোংয়াইনা হায়দ্রিঙৈদো খঙলকপা তারবদি মপুবোক্না শোয়দনা শাউগনি। শাউখিবদুদি লায়, য়াম্নমক ব্রারৌখ্রগনি।

মহাক পাউসু য়াম্না তানীংই। তাঞ্জা চারে চেঙ চাক থিনবা চংপদা পাউ শোযদনা খঙলনি। অনাবগী পাউ ফংলবা মতুংদা মপুবোক্তা শোয়দনা হায়রগে

লেপ্লে। মহাক খঙনীংই— মাইবদুনা করম তৌখ্রবা! অনাবদুনা কমদৌবা! ডাক্তরদতদি ইচা লায়েংলোই হায়দুনা শিখাং খাঙবা মমা হনুবী অদুনা কদাযদা!

লায়েংশঙদা অনাবা মবাই পুখৎলকপা নুমিৎ অদুদাদি চৎসি যাদে হায়দুনা হনুবী অদু লাক্তবনি। মনেনি হায অহল অমা লাকই।

অয়ূক চাক চাবা হেক লোইবগা নোংয়াই চেঙ অমসুং ঙা পুদুনা মচেগী নাক্তা চৎলক্মী। অরাপ্পদা নোংয়াই লাকপদু মচে লাংলেন্না উবমাল্লে, চেন্থোক্লকই। নোংমা নীনি লাক্কনু পাউ হায়রক্কে হায়খিবনি।

“করি লৈরে নোংযাই?” নুংশাথীনা হংলকই।

“ইমানা চেঙগা ঙাগা থিল্লুচো হায়দুনা লাকপনি।”

“ফবে ফবে পোৎশিংদু ইচে পুশিনবিখ্রগে। কবিমতা নুংশা থীরুরনু, লাই নীংউ ইচেনা ফনবা শীনগনি। ঙরাং ডাক্তরনা ইম্ফালদা নবাই পুদুনা টেষ্ট তৌবা যাবা তৌরুরে। ঐসু চৎলুই। হৌজিক্তি লাইওং খঙলবনিনা লাযেংবা হৌবনি। নহান্দগী মশা কনখৎনবা দ্রিপ কাপ্লি। লৈখায় অমা তাদ্রি ফাওবদি নখোয় কনামতা শক উৎপা য়াদ্রি। ইমা খঙলবরা?”

“খঙদ্রি।”

“চৎলো ইমা নুংশা থীরম্লগনি।”

নোংয়াই রা ঙাঙদে। পাউ তাবদা নুংঙাইবদি ফাওই। মহাক তপ্না তপ্না থোক্লক্লে। মচে ফাওবা উনহল্লক্তে। চৎলমদাইদা মচে লাংলেননা অমুক্তসু হাযরকই, “নোংয়াই লৈখায় অমা তাদ্রিফাওবদি ইমা খঙহল্লুখিনুকো। মতম চানা ইচেনা পাউ পীবক্কনি।”

মচে লাংলেনগী মায়থোঙ অদু উবদদি অদুক হাক্না ফিভম থীবমগদবদি মান্দে। মচে লাংলেনগা মহাক্কনা তৌরুরিবা থবক অদু মচে থাদোইনা কবি হায়গদগে হায়দুনা নুংশা থীরম্বনি । মদুমক্তি থোক্তুমাল্লে। অদুবুদি মচে লাংলেন্না হায়হৌবনি— ‘হে হে মানা ইপ্পাদা শাউবা য়াব্রা নচেনা ফনবা শীনগনি।’

রাখল হাইফেৎ নুংঙাইনা হল্লক্লে নোংয়াই। লক্ষ্মীদা খল্লকই— ‘নুমিৎসু ঙল্লি পুবোক্কী মনাক্তা চৎলগে।’

নোংয়াইনা মপুবোক্কীদা থুংলুবা মতমদু নুমিৎ লৈরি। ফরক কায়না নোংয়াই লাকপদু উবদা মপুবোক্না নুংশা থীনা হংলকই।

"নমা কৈদৌরে?"

"কৈসু তৌদেদা পুবোক।"

মপুবোক্কু লূ শানবা পজেং ঈৎলি। হেক লাকপগা মহাকসু থাঙ অমা পায়রদুনা পজেং ঈৎপা য়াওশিল্লি।

"নখূৎ শোক্কনিদা।"

মপুবোক্না তম্বিদুনা পজেং ঈৎপদা নত্তনা লূ শাবা ফাওবা খরা খরা হৈরবনি।

"অদু নঙবু অসুম লাকপরো?"

"পাউ অমা তমগে লাকপনি পুবোক।"

শাউরক্কদরা, চৈরক্কদরা কিনা কিনা নুমিদাং অদুগী মাইবা উনবগী থৌদোক, লায়েংশঙদা মবাই পুখৎপগী ৱা পূন্নমক অমতা চীৎথদমখৈ মপুবোক্তা তল্লে। মহাক্না খল্লম্বগী ওন্না তৈনবদা মশুদা চাথোক্কদবগুম য়েংলগা খুইরবা মখূৎ অদুনা মশুগী মকোক্তা নানথবিরদুনা মপুবোক্না হায়রকই।

"চঙশিন্দ্রিঙৈনা চঙশিন্দ্রিঙৈনি চঙশিল্লুরবনিনা মায় পাক্তবা য়াদে।"

মপুবোক্কু মপি ঈরা চেল্লি। নোংয়াই মপুবোক্কী ৱাহৈ তাবদা হরাওবনা খম থেংলে।

"অদুনি নুপা থোক্না খুদোংথীবা পূন্নমক মায়োক্নগদবনি। ঐসু হয়েংমক চৎকে।"

"নত্তেনত্তে পুবোক, ইচে লাংলেন্না অনাবা লৈখায় অমা তাদ্রিঙৈদা কনামতা শক উৎকনু, ইমাদসু পাউ হায়রুখিনু, মহাক মতাং চানা পাউ পীরক্কে হায়রকই।"

"অদুদি হয়েংদো ইবুধৌ থাংজিংদা হৈকৎ লৈকৎ খরা তমলুসি। মফম অদো ইবুধৌনা কোনবনি। ফরে থেঙখ্রনি নমানা নুংশা থীরমলগনি য়ূমদা চৎলো। নমাদা হৈ-লৈ খরা লাংউ পুবোক্না লাই খুরুম্বা পুবিগে হায়রকই হায়য়ু।"

মপুবোক্তা ৱাফম পূন্নমক অদু তল্লবা মতুংদদি নোংয়াই মশাদু ইয়াং য়াংবগুম তৌরে। মহাক্না পাউ অদু তমগদবা মীওই অমতা ঙায়রে। মহাক্তংদগা

তম্লবদি নোংয়াই, পূময়াং য়াংলগনি। য়াংবগী মথক্তা ৱাখলসু থোক্কনি। ছুটি কাগদবা কুইশিল্লক্রে। মহাক লাকপদি মরাক্লগনি।

মহাক লাক্লবদি নোংয়াই থবক চিল্লগনি। হায়রক্কনি— 'নোংযাই পাৎতা হি তোংদুনা কোয়রুসি, চীং কারুসি।' নুংঙাই নুংঙাইবা ৱারী কয়াসু লীবগনি।

নুমিৎ অদু ঙাইবা তাই।

নোংয়াইনা ময়ূম য়ৌবদা মল্লি মল্লি তৌরে। ময়ূম হেক য়ৌবগা মমানা হংলকই, "কৈদৌরে অসুক থেঙলকইদি? নচেদু কমদৌহৌবি?"

অমা খুম্বা নংদ্রিঔদা অমা হেক্তা হংজিল্লকপা মমাগী হৈনবীনি। নোংয়াইদি মহৌশানা ৱা য়াম্না ঙাঙগন্দে। তেন্না খুম্লকই।

"হয়েংমখৈদি চেঙ থিল্লক্লবসু য়ানি হায়রকই।"

ইমুংদা থুনমক চঙখি। থোং কানশিনবতা ঙায়রি মমানা মখা তারকই, "নখোয় ওজা কমলদু লাক্লম্মী নঙ হংলম্বনি।"

নোংয়াই চপ লেপ্পি।

"কয়াম কুইরবা? ঐ লাকউ হায়রমব্রা?"

মমাগী পাউখুম ঙাইরমদ্রে থুনমক অমুক থোকখ্রে।

"নুমিৎ তাদৌরে হয়েং চৎলোনে।"

মমানা হায়হৌবদু তারমগদ্রা খঙদে। কোন্থাং ৱাংমা লানখ্রে।

নোংয়াইনা ওজা কমলগী লৈফম য়ৌবা মতমদা ওজা কমল নুমিৎ কুন্নীমুক থাদোক্লুরবা মহাক্কী কাগী উফুল ৱাইফুল শীত্তোক নানথোক্তুনা লৈবম্মী। ৱা ঙাঙদে চঙশিন্দুনা নোংয়াইসু ওজাগী মতেং পাংশিল্লি।

"নঙ কদায় চৎলুই হায়বা?"

"ইচেগী নাক্তা, লায়েংশঙদা চেঙ চাক থিল্লুবনি।"

ঙাইঙমদে নোংয়াই তপ্না তপ্না মপুবোক্তা লীখিবগুম্না থোকখিবা থৌদোক খুদিংমক অমতা খাক্তমখৈ ওজাদা তম্লম্মী। অঙাংনা মৈ কিদে হায়দুনি। ওজা কমল নোংয়াইনা পাঙথোক্লিবা থবক অদু নুংশা থী, পূক্লিংদা অকিবা ফাওই।



অদুবু থাংলিবা খোঙথাং অদুদি অচুম্বনি, অফবনি। অদু ওইরবসু মহাক ৱাফম অদুদা মহাক্কী ওইবা ৱা অমতা পীদে। তশেংনা হায়রবদা থবক অদুদা মহাক মাঙজিল থানা য়াওনীংদে। মপূক্লিংদদি নোংয়াইগী থৌনা, মহাক্কী শীংনবা অমসুং মায়োক্লবগী চেল্লিবা পূক্লিং ঈহুল অদুবুদি থাগৎলি।

অতোপ্পগী ইমুং-মনুংগী ৱাফম ওইবনা মকা ফোংনদি থৌনা পীবদি তৌদে। য়ৈসু য়ৈথৎতে। থয়াইননা মায়োক্লৌ হায়বগী ইঙ্গিৎ অমদি পী।

"থবক অদু অরায়বা নত্তে নোংয়াই, চেকশিল্লু।"

ওজানা হায়রিবদুগী ৱাহল্লোক নোংয়াই খঙই। মহাক্না চঙশিল্লুরিবা থবক অদুগী মায়য়োক্তা ওজানা লেপ্তে হায়বসিমসু মহাক খঙই। মদু মঙোন্দদি য়াম্না মমল য়াম্বা থৌইনশিন অমনি।

মপুবোক্কী অমসুং ওজা কমলগী অয়াবা ফংলবনিনা নোংয়াই অকিবা লৈত্রে।

মরি

নোংয়াইগী মবাই শাজৌ লায়েংশঙদা লায়েংলকপা নুমিৎ তরানি শুজিল্লক্লে। মচে লাংলেন্না লাক্কনু হায়বদগী, নহান নোংমা চেঙ থিনবা চৎলুবা নুমিৎ অদুদগী নোংয়াই লায়েংশঙদা চৎত্রি। মচে লাংলেন্না পাউ পীরক্কে হায়বনি। মহাক অনাবগী পাউ তানীংবনা লৈতাবা ঙমদ্রে। কালেন ছুটিসু লোইশিল্লক্লে। মপূক্লিং ইরাং লাঙই— করিগুম্বা লাইবক থীরবদি কমদৌবা! ইচে লাংলেন্না নুমিৎ তরানি শুরবা ফাওবা পাউ অমতা পীরক্ত্রিবসিনা করিগীনো!

মপুবোক্লসু ওজা কমলনসু তৎতনা হংই, "অনাবগী পাউ করি তায়?"

খঙদবনিনা নোংয়াই খঙদে হায়না খুমই।

মচে লাংলেন্দা ৱারৌই। অমুকসু মপূক্লিং ফাথৈ। পাউ পীফম লৈতদুনা তৌরম্বসু য়াই। খনবমখৈ খল্লগা ৱারেপ তারে। পাউ অমতংদি লৌরুরগে। মমাদা হায়রকই, "ইমা ইচেগী ঙা খরা থিনবিরুসিরা?"


নোংয়াইগী মমাসু মশামক চৎতুনা থিল্লুসিরা হায়বফাওবা খল্লন্লিবনি।

"চেঙদি লৈরমখিদরো?"

"চেঙদি পুরক্কনু হায়রকই।"

মচে লাংলেন্না শোয়দনা চৈরক্কনি হায়বা খঙনা খঙনা নোংয়াই লায়েংশঙ তম্না লাক্লে। মপুবোক্তসু ওজা কমলদসু হায়রমদে। তশেংনমক লায়েংশঙদা হন্দক চঙগদৌরিবসি ফোংনা নত্তে। ফিভম য়েংলগা চঙগদৌরিবনি। মচে অনীমক উনদ্রবসু য়াই, মবাই অনাবদু করম তৌরিবগে হায়বদুতং খঙনীংবনি।

অপীকপা লায়েংশঙনি। ফমুং মরি মঙাতনি লায়েংশঙ অসিদা থারিবা। য়াম্না লুবা অনাবদি লায়েংশঙ অসিদা খক থমদে। অনাবা অরুবশিংদি ইম্ফালদা থাবা ঙাক্তনি। অদুবু অযূক্কী পুং তরামাথোইগী অসুৱাইসিদি মহৌশানা মী খরা



চিল্লি। মতম অসিদা মীশিংনা লাক্কুনা অনাবা য়েংনৈ। মী চিনবা মতম অসি খল্লগনি মহাক্লা লাক্লিবসিস্। মচে অনী থেংনদবনি মহাক্লা লাই নীর্ংলবা।

খূদক্কী ওইবা ডাক্তরনা অনাবা য়েংলিবা মফমগা অন্যাবা লৈফম কাগা পুন্দে। খূদক্কী ওইবা ডাক্তরনা অন্যাবা য়েংলিঙৈ মতমদদি অনাবা লৈফম কাদা মরক মরক্তা লাকপা নত্তনা নর্সস্ ডাক্তরস্ চঙদে। অনাবগী কাঙবুশিং লৈহৌই। তাঞ্জা অদুনি নোংয়াইনা ঙাইরিবা।

নোংয়াই মীংনা শিংনা অনাবা লৈফম কারোমদা চঙলকই। অনাবা কাঙবু অনীদনি কাদুদা লৈরম্লিবদু অমনা অঙাংনি, অমনা মবাই। অদুনা থিবদা ৱানা থোক্তে। পূমঙক ঙকখ্রে নোংয়াই মবাইদো ইকন কনবগুম ফমুং মথক্তা ফমদুনা

মথন্তা করিনো অমা থক্লি। নহান লায়েংশঙদা পুখৎলকপদা ওইহৌবা মবাইগী ফিভম অদুগা উরিবদুগা থাজদনা খেন্নরে। মহাক্না উরিবদু অরাপ্পদনি। থোঙনাউদা মঙক থাঙ্গৎতুনা য়েংবনি। অনাবগী মনাক্তা অহল অমা ফম্লি। লায়েংশঙদা পুখৎলকপা নুমিৎতা লোয়নরকখিবা মবাইগী মনে থরো অদুনি। পূক্লিং রাখল নুংঙাইনা লৈবা মাল্লি ফি ময়োম অমা থোক্লদুনা অহল অদু ক্না তপ্প তপ্পদুনা চারি।

ঙৈহাক্কী মতুংদা নর্স অমা চঙলকই। মচীনসু, মকোকসু খুমই। মচে লাংলেনদি নত্তে। নোংফাদোক ইম্ফালদগী মী লাকপা নুমিৎ নৎত্রবদি মহাক্তি কৈদৌঙৈদসু নর্সকী ফিজোল শেৎতবনি। মথন্তা হংই অতোপ্পা ট্রেনিং চৎখি হায়বা নর্স অদু লাক্লবা জাৎলা!

ৱা অমতা ঙাঙদে। নর্স অদুনা মহাক্না পুরক্লিবা ট্রে অদুদগী টেবলেট লৌথোক্লগা মবাইদা ইল্লি। মনে থরোনা হায়রকই, “ইবেম্মা ঙসিদি চাকসু চানীংনা চারে।” ৱা অমতা খুল্লমদে, নর্স অদু অমুক থোকখ্রে। নর্স অদুনা থোকখিবগা ইকান কান্নদনা মচে লাংলেনগা ডাক্তরগা চঙলকই। ডাক্তরনা হংলকই, “ওজা শাজৌ কমদৌবা! চাক চাবা ইয়া য়াদ্রিবরো?”

“ডাক্তর ঙসিসি খরা চানীংনা চারে।”

“চানীংই হায়দুনা খংচা চাবা য়াদে।”

